**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কন্ননবা সরকারনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অমদি কুপা নৈনরক্লিবশিং অসি মীয়াম পুন্না য়েংমিন্নবা তঙাইফদে হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখ্রে।

২) সাইন্স এন্দ টেকোলোজি মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়রি- সাইন্তিষ্টশিংনা পুথোকপা অনৌবা ৱাখল্লোন অমদি লৌশিং কয়া অসি মীপুম খুদিংমক্তা খঙহনবা ঙম্লবদি মীয়ামদা কান্নগনি।

৩) ৱান দিষ্ট্রিক্ট, ৱান প্রদক্ট হায়বা হিরমদা চান্দেলদা জিনজর ফেষ্টিভেল পাঙথোখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা উত্তর প্রদেসকী প্রয়াগরাজতা পাঙথোক্কদবা কুম্ভ মেলাগী মাঙওইননা ঙসি লুপা কোতি লিশিং ৫,৫০০ চংনা পায়খৎকদবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে।

অমসুং

৫) কেন্দ্রনা হায়রি- ইং ২০১৭ তা হৌদোকখিবা পি.এম. মাত্রু বন্দনা য়োজনাগী মখাদা বেনিফিসরি কোতি ৩ লাখ ৬৪ দা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৮৫৪ গী শেনফম পীখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কন্ননবা সরকারনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অমদি হিরম অসিদা সরকারনা মীৎয়েং চংলিবা অসি মীয়ামা খঙমিন্নবা মথৌ তাই।

মণিপুর সরকারগী তুরিজম বিভাগকী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম মনিপুরনা শিন্দুনা ঙসি কামজোং জিলাগী চাদোংদা মনিপুর ইন্দিজিনস পিপলস কলচরেল একচেঞ্জ ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মৈহৌরোলদগী লৈমিন্নরক্লবা য়েলহৌ ফুরুপশিং পুনশিন্দুনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কনবগী য়ামা তঙাইফদবা ফিভম অদু য়ৌরে। মণিপুর অসি য়েলহৌমীশিংগী লমদম অমনি হায়রদুনা শ্রী বিরেন্না হায়- মতম অমদা লমদম অসিগী লম মচেৎ অমা ফাওবা মাংবা য়ারোই হায়দুনা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থাং-তেন পায়দুনা থৌনা ফনা ঙাক্লম্বনি। সরকার অসিনসু মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি য়েলহৌমীশিং ঙাকবগীদমক চপ চানা থেংনরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- চাইনাদা ওপিয়ম ৱার তৌবগুম ঐখোয়গী লমদম অসিদসু ময়াই কাবা নিশানা লান্দারক্লে হায়বা অসি খঙলবা ফাওবা মীওই খরনা খঙদবা শারগা সরকারবু হুল্লগা ঙাংবগী থবক চত্থরি। সরকার অসিনা ময়াই কাবা নিশাবু মরু ফংনা মাংহন্নবা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসি তুংগী মীরোলশিংগীদমক্তনি হায়বসি মীয়ামা কাউরোইদবনি। মশিং য়ামজদ্রবা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিং অসিদা শিংনরক্লিবশিং অসিবু মায়োকনবগীদমক সরকারনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং কুপা নৈনশি। মহাকা হায়- য়েলহৌ ফুরুপশিংগী খোঙ্গুল লীবা ওইনা সরকার অসিনা গো টু হিলস মিসন হৌদোক্তুনা অরিবা খুভমশিং থিরগা শেমগৎ শাগৎপা হৌখ্রে। হন্দক্তসু সেনাপতি জিলাদা মখেল হেরিতেজ পার্ক শাদুনা মীয়ামদা শিন্নখ্রে।

নুমিৎ নিনি চুপনা পাঙথোক্কদবা ফেষ্টিবেল অসিগী হিরম অসি মনিপুর য়ুনাইটেদ বাই দাইভরসিতি হায়বসিনি। ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম, কেফ এন্দ পি.দি মন্ত্রি লৈশাংথেম শুশিন্দ্রো মৈতৈ, ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি খাসিম ভাসুম অমদি তোঙান তোঙানবা বিভাগকী ওফিসিএলশিং

শরুক য়াখি। ফেষ্টিবেল অসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী কলচরেল প্রোগ্রামশিংসু পাঙথোক্লি।

কংগ্রেস (এল)ঃ নুমিৎ হুমনি চথুগদবা মনিপুর সাইন্স কংগ্রেস ২০২৪ মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ওদিটোরিয়মদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা সাইন্স এন্দ টেকোলোজি মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়- মীওইবনা পাল্লিবা নুংঙাইবা পুন্সি হায়বসি সাইন্স এন্দ টেকোলোজি খক্তনা ওইথোকহনবা ঙম্মী। সাইন্স অমসুং টেকোলোজি শিজিন্নদুনা অনৌবা পোৎলম কয়া পুথোকপা পাম্বা নহাশিংগী ওইনদি ঙসিগী থৌরম অসি য়ামা মরুওইবা থৌরম অমা ওইরি। মহাকা হায়- থিজিন হুমজিনবগী থবক তৌরিবা মীওইশিং অমদি সাইন্তিষ্টশিংগী মপালদগী ঐখোয়না কান্নবা কয়া লৌরি। মখোয়না পুথোকপা অনৌবা ৱাখল্লোন অমদি লৌশিং কয়া অসি মীপুম খুদিংমক্তা খঙহনবা ঙল্লবদি মীয়ামদা কান্নগনি।

থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার নাওরেম লোকেন্দ্র, য়ুনিভর্সিতি অসিগী হান্নগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার সি. অমুবা, ধনামঞ্জরি য়ুনিভর্সিতিগী হান্নগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. রাজমুহোন, সাইন্স এন্দ টেকোলোজি মণিপুরগী সেক্রেটরি হ্যুংয়ো ৱারসিং অমদি মাষ্টেক্কী দাইরেক্তর ডাঃ এল. মিনাকেতন শরুক য়াখি।

জিনজর (এল)ঃ আই.সি.এ.আর কৃষ্ণি বিগ্যান কেন্দ্র চান্দেলনা শিন্দুনা কৃশি স্বারনা শন্রিখি ৱিক্কী মখাদা নোংমগী ওইবা জিনজর ফেষ্টিভেল ঙসি আই.সি.এ.আর-কে.ভি.কে চান্দেলগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে। ৱান দিষ্ট্রিক্ট ৱান প্রদক্ট হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা জিনজর ফেষ্টিভেল অদুদা চান্দেল ব্লোক অমদি চকপিকারোং ব্লোক্কী মখাদা লৈবা ফারমর সোসাইতিশিং, সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অমদি তোঙান তোঙানবা খুলগী লৌমীশিংনা মখোয়না পুথোকপা পোখোকশিং উৎতুনা ষ্টোলশিং হাংখি। লোয়ননা লৌমীশিংদা নীংথম মরু মরাংশিংসু য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা আই.সি.এ.আর-কে.ভি.কে চান্দেলগী হেদ ইনচার্জ ডাঃ খুমলো লেভিসনা হায়- ঐখোয়না চানরিবা শিং অসি চান্দেল জিলাগী ওইনা ৱান দিষ্ট্রিক্ট ৱান প্রদক্টনি। মরম অদুনা জিলা অসিগী শিং থারিবা লৌমীশিংগীদমক ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপনি। মহাকা হায়- চান্দেল জিলাগী ওইনা শিং থাবা লৌমীশিংগী ওইনা চকপিকারোং ব্লোক ফারমর সিয়ার হোল্ডর ১৫০ অমদি চান্দেল ব্লোক্তনা ১২০ লৈরি।

সেমিনার (এল)ঃ  জনজাতিয়া গৌরব দিবসকী শরুক অমা ওইনা নোনে জিলাগী গাংলুৱান পার্ট-ফোরদা ঙসি ত্রাইবেল মীয়ামদা পাব্লিক হেলথ কেয়ার সার্ভিসকী খুদোংচাবা ফংহনবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা পাঙথোকখ্রে। রাজ্যগী ত্রাইবেল এফ্যারস অমসুং হিলস, ত্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুটনা শিনবা সেমিনার অসিগী পান্দমদি ত্রাইবেল মীয়ামদা হকশেলগী লমদা লৌশিং পীখি।

থৌরম অদুদা চীফ মেদিকেল ওফিসার নোনে, ডাঃ জেদ কামৈ, ত্রাইবেল এফ্যারস এন্দ হিলসগী দিরেক্তর শ্রীমতি হানা কাহমৈ য়াওনা অখণ্ড অহৈ কয়ানা শরুক য়াখি। লোয়ননা হকশেলগী লমদা এৱানেস কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

সেনাপতি (এল)ঃ  কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়গী লমজিং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিনা শিন্দুনা সেক্সচুয়েল হরাসমেন্ট এট ৱার্ক প্লেস প্রিভেন্সন ৱিক ঙসি জিলা অসিগী দি.সি কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সেনাপিতিগী এস.দি.সিনা ইন্তরনেল কমপ্লেন কমিতি শেম্বা, লম অসিদা মীয়ামদা লৌশিং পীনবা ৱার্কসোপ কয়া পাঙথোকপা, সি বোক্স পোর্তেল হাংবনচিংবা কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। লোয়ননা সেনাপতি ৱান ষ্টোপ সেন্তরগী কেস ৱার্করনা সেক্সচুয়েল হরাসমেন্টকা মরী লৈনবা এক্টশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

জিরিবাম (এল)ঃ  কোকোমি জিরিবাম ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা মৈরা পায়বীশিং অমদি অতৈ সি.এস.ও কয়ানা শরুক য়াদুনা ঙসি তোঙান তোঙানবা দাবী কয়া তকশিল্লদুনা জিলা অসিগী শামুপুনবী কম্যুনিতি হোলদা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা মফম খঙদনা লৈরিবা লাইশ্রম কমলবাবুগী লংলং লংজিল সরকারনা অথুবদা পুথোকপীয়ু, জিরিবামগী বোরো বেক্রাদা নুপী অঙাং য়াওনা হাৎপদা চেন্নবশিং ফাদুনা মীয়াম খঙনা চৈরাক পীয়ু, জিরিবামদা অফস্পা থমজিনবা য়ানিংদে হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকাইদা লৈবা ককৱা পাৎ মল্টি পরপজ কোওপরেতিভ সোসাইতিগী জেনেরেল সেক্রেটরিগী য়ুমদা বোম থমজিল্লম্ববু য়ানিংদবা ফোংদোক্লুনা ঙসি লমদম অদোমগী মীয়ামা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

লেন্দস্লাইদ (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী নুঙ দোলান, নোংচুপ খারম পল্লেনদা ঙরাং অহিং অথেংবদা নুঙ কিন্থরকপদগী নেসনেল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম মল্বীদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা পুং খরা অপনবা পীখি।

ঐখোয়গী পাউমী-অগুই কামৈনা হায়-মফম অদুদা থবক শুরিবা কম্পানিগী মীওইশিংনা শেংদোক্লবা মতুং ঙসি অয়ুক পুং ৯ মখায় অদুৱাইদগী মহৌশাগুম গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌবা হৌখি।

থৌবাল (এল)ঃ   ইং ২০২৫ ফাওবদা লৈবাক অসিদগী টি.বি. লায়না মুথৎনবগী পান্দমদা হৌখিবা দিসেম্বর ৭ তগী হৌরগা নুমিৎ ১০০ নি চুপা চথুগদবা টি.বি. ইলিমিনেসনগী ইন্টেনসিফাইদ কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌবাল জিলাগী দি.সি ওফিসতা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাস, পঞ্চায়েতিরাজ হন্সটিট্যুসনগী মেম্বরশিং, অরবান লোকেল বোদিগী মীহুৎশিং, নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেতিং প্রোগ্রাম থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. ওফিসার, দিষ্ট্রিক্ট কো-ওর্দিনেতর অমসুং সি.এম.ও থৌবাল শরুক য়াখি।

ট্রেনিং (এল)ঃ ইন্তিগ্রেতেদ চাইল্ড দিভলপমেন্ট সার্ভিসেস (আই.সি.দি.এস) লিলোং প্রোজেক্টনা শিন্দুনা পোসন ভি পরাই ভি-গী মতাংদা নুমিৎ হুমি চখরকপা ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরম ঙসি থৌবাল জিলাগী ৱাইথৌ কম্মুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। নুপী-অঙাংশিংনা মচি ওইবা চীঞ্জাক চাবা অমসুং লাইরিক লাইশু তম্বগী কান্নবগী মতাংদা চখবা এৱারনেস কেম্পেন অসিদা প্রোজেক্ট অসিগী অঙ্গনৱাদি ৱার্কর ১২০ লোম শরুক য়াখি। ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা আই.সি.দি.এস লিলোং প্রোজেক্টকী চাইল্ড দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট ওফিসার, সুপরভাইজর, চাইল্ড সাইকোলোজিষ্ট অমদি ষ্টাফশিংনা ৱা ঙাংখি।

এৱার্দ (এল)ঃ রিজনেল সোসিয়েল সেক্যুরিতি ফোরম ফোর এসিয়া এন্দ দ পেসিফিক্কী লেমজনিঙাই ওইরবা মনা মরি- দ ইমপ্লোয়িজ ষ্টেট ইন্সুরেন্স কোর্পোরেসন (ই.এস.আই.সি)দা পীরক্লে। এৱার্দশিং অদুগী মনুংদা সার্তিফিকেট ওফ মেরিৎ ৱিথ স্পেসিয়েল মেনসন ফোর ইটস ইনোভেতিভ অক্স এন এপ্লোইনমেন্ট (ত্রিপল এ-প্লস) মোবাইল এপপ অমদি ওকুপেসনেল এক্সিদেন্ট এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, সষ্টেনেবল ইনভেষ্টমেন্ট অমদি সিষ্টেম রেজিলেন্সতা সার্তিফিকেট ওফ মেরিৎ ফোর এচিভমেন্টকী মনাশিং য়াওরি। মনাশিং অদু সাউদি অরাবিয়াগী রিয়াদতা পাঙথোকখিবা মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদা ই.এস.আই.সিগী দাইরেক্তর জেনেরেল অশোক কুমার সিংহদা খুৎশিন্নরকপনি।

স্কোলারসিপ (এল)ঃ সেদ্যুল ত্রাইব মহৈরোইশিংগী প্রি অমসুং পোষ্ট মেত্রিক স্কোলারসিপ ২০২৪-২৫ গীদমক ওনলাইনদা ফোর্ম পীশিল্লকপগী মতম মথং থাগী ১৫ ফাওবা শাংদোক্লে। রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ত্রাইবেল এফ্যারস এন্দ হিলসকী চেরোল অমগী মতুংইন্না মহৈরোইশিংনা নেসনেল স্কোলারসিপ পোর্তেল (এন.এস.পি-টু পোইন্ট জিরো)গী খুখাংদা ৱেব সাইট- দব্লিউ দব্লিউ দব্লিউ দোট স্কোলারসিপস দোট গোভ দোট ইনদা থাজিল্লকবা হায়রি।

প্রি বোর্দ (এল)ঃ  ওল মণিপুর রিকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুলস ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা থা অসিগী ২ দগী চখ্থরকখিবা কম্মন ক্লেসন প্রি-বোর্দ একজাম ঙসি লোইশিনখ্রে। একজাম সেন্তরশিংদা এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংনা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

লোক অদালট (এল)ঃ  চহি অসিগী অরোইবা লোক অদালট হয়েং মণিপুরগী লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্স খুদিংমক্তা পাঙথোক্লগনি। মসিদা মীয়ামা কান্নবা লৌবীহৌ হায়না মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী মেম্বর সেক্রেটরি- অলেক মুইভানা আপীল তৌরি। অরোইবা লোক অদালট অসিগা মরী লৈননা শ্রী অলেক মুইভানা হায়- চহি অসিগী মরিসুবা অমদি অরোইবা ওইগদৌরিবা লোক অদালট অসিগীদমক তোঙান তোঙানবা কেস লিশিং ২,৮০০ খন্দোক্লে। মীচম প্রজাগী কোর্ট হায়নসু খঙনবা লোক অদালট অসিদা তোঙান তোঙানবা কেস কয়া মীয়ামা শেল তিংদনা লোইশিন্ননবগী তাঞ্জা অসি পুন্না লৌমিন্নশি হায়রি।

লিলা (এল)ঃ  কলচর মন্ত্রালয়না ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্তরনা শিনবা শুমাং লিলা ফেষ্টিভেল হয়েংদগী ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা হৌরগনি। ফেষ্টিভেল অসি রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগ অমদি মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিলগা পুন্না শিনবনি। হয়েংদগী হৌদুনা নুমিৎ ৫ নি চখ্থগদবা ফেষ্টিভেল অসিদা খনগৎলবা শুমাং লিলা ১০ উৎকনি।

পিএমঃ  প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা উত্তর প্রদেসকী প্রয়াগরাজতা পাঙথোক্কদবা কুম্ভ মেলাগী মাঙওইননা ঙসি লুপা কোতি লিশিং ৫,৫০০ চংনা পায়খৎকদবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে। প্রোজেক্টশিং অসিগী মনুংদা প্রয়াগরাজদা চৎথোক চৎশিনগী পান্থৈ ফগৎহন্নবা রেল লম্বী অমসুং লম্বী থোং য়াওরি।

প্রয়াগরাজগী সঙ্গম এরিয়াদা ঙসি পাঙথোকপা কুম্ভ মেলা হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- মথং চহিদা পাঙথোক্কদৌরিবা মহা কুম্ভ মেলা অসি অপুনবা অমসুং মান্নবগী মহা যৈগ্যা ওইরগনি অমসুং মসিনা লমজিংদুনা ভারতপু মালেমগী লৈবাকশিংনা হেন্না শিংথানরগনি। কুম্ভ মেলা অসি ওফিসিয়েল ওইনা মথং চহিগী জনুৱারি ১৩ দগী হৌরগা ফেব্রুৱারি ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মহা কুম্ভ মেলা মনুংদা শেংলবা প্রয়াগরাজ লমদা কাষ্ট অমসুং কাংলুপকী খেন্নবদা য়ুম্ফম ওইবা থোং মান্নদবা খুদিংমক লোইশিন্দুনা অপুনবগী শক্তম উবা ফংগনি। মসিনা এক ভারত শ্রেস্থ ভারতকী অশেংবা মগুন উৎপগা লোয়ননা জাতি অসিবু লমজিংবা ঙম্লগনি।

যোজনা ঃ কেন্দ্রনা হায়রি- ইং ২০১৭ তা হৌদোকখিবা পি.এম. মাত্রু বন্দনা যোজনাগী মখাদা বেনিফিসরি কোতি ৩ লাখ ৬৪ দা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৮৫৪ গী শেনফম পীখ্রে।

লোক সভাদা ঙসি ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রি অনাপুরনা দেবীনা হায়- যোজনা অসিগী মখাদা সরকারনা বেনিফিসরিশিং পেপর লেস রেজিষ্ট্রেসন তৌনবগী তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া হৌদোকখ্রে। মহাকা হায়- মসিগীদমক রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা লাইথোকহন্নবা মোবাইল এপ্লিকেসন অমসু হৌদোক্লে। মন্ত্রিনা হায়- যোজনা অসিগী বেনিফিসরিশিংদা দি.বি.টিগী খুথাংদা শেনফমশিং পীরি অমসুং হোস্পিতালদা অঙাং উন্নবা মতমদা মমা অমমমদা লুপা লিশিং ৬-৬ পীরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

সন্তোস ঃ ৭৮ শুবা সন্তোস ত্রোফিগী ফাইনেল রাউন্দ থা অসিগী ১৪ দগী তেলঙ্গানাগী হায়দ্রবাদতা হৌরগনি। ফাইনেল রাউন্দ য়াওনবগীদমক মনিপুরগী সন্তোস ত্রোফি টিম ঙরাং ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ক্রিকেট ঃ ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি খাঙবোক পার্ট থ্রিগী পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলনা এস.দি.সি লাইফম খুনৌবু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে। লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা সেদো থাংমৈবন্দনা কে.সি.দি.ও কোংপালবু ৱিকেট ৩ দা থোইখি।

মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদ এম.এন.সি.এ সুপর প্লেট তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা আর.সি.এ লিলোংনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবা রন ৮৮ দা থোইখ্রে। মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্তেল কলেজ গ্রাউন্দদা তুরনামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজবু রন ৫৫ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ লমলোং থোংখোঙদা হয়েংদগী শান্নবা হৌগদৌরিবা ৪ শুবা মাষ্টর ডাঃ এম. মনাউতোন সিংহ এন্দ এম. চন্দ্রশখি দেবী মেমোরিয়েল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ গী ওফিসিয়েলশিংগী মীং লাউথোক্লে। মেটচ কম্মিসনারদা এস. জেমসকুমার সিংহ, রেফ্রিদা কে. অজিৎ অমদি এল. প্রিয়োনা ওইরগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেসঃ ভারতকী গ্রান্ট মাস্তর-দোমারাজ্ গুকেসনা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী নহা ওইবা চেস চেম্পিয়ন ওইরকপদা রাজ্য সভাগী চেয়রমেন জগদিপ ধনখর অমসুং লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম.বিরলানা নুঙাইবা ফোঙদোরক্লি। তামিলনাদুগী মুখ্য মন্ত্রি এম.কে স্তেলিননা দোমারাজ্ গুকেসদা লূপা কোতি ৫গী মনা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

------